# চহী ৩০ হেনবগী মনুংদা টাইৱানদা বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই ৩২ শিখ্রে



টাইপৈ, ফেব্রুৱারী ১৪ :
চহী ৩০ হেনবগী মনুংদা টাইৱানদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা য়াংনা চেল্লকপা বস অমা লোংবদগী মীওই ৩২ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে। লাইবক থীবা এক্সিদেন্ট অদু স্পীদ কা হেনমনবদগী থোকখিব্রা হায়বগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থিজিল্লি হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

বস অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা টাইৱানগী কেপিটেল টাইপৈদা ঙমথবা লম্বীগী কোর্নর অমদা মমায় খঙলৈ লৈবদা লোংখিবনি। বস অদু চেরি মপান শাবা য়েংলুবা টুর গ্রুপ অমা পুরগা লাকখিবনি হায়রি।

হায়ৱে পুলিসকী স্পোক্সমেন মা লিং-ৱেননা হায়খি, ঙমথবা লম্বীদুগী স্পীদ লিমিট অসি পুংদা কিলোমিটর ৪০ (মাইল ২৫) ওইগদবনি তৌইগুম্বসুং বস অদু কয়াম য়াংনা চেল্লকখিবগে হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমখিদে। ক্রাস অদুগী মরম স্পীদনা ওইবসু য়াই হায়না মানা ফোঙদোকখি।

বস অদুদা তোংখিবা মীওই ৪৪ গী মনুংদা অয়াম্বনা সিনিয়র সিটিজনশিং ওইখি। মীওই কয়া মশুপ মশুপ্লবা বস মনুংদুদ লাংদা থুবগুম্না লৈখিবগা লোয়ননা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ক্রেন শীজিন্নদুনা বস অদু ফক্কাইনবা হোৎনখি।

টাইৱানিজ ঙাক্তা ওইবা মীওই ৩২ এক্সিদেন্ট অদুদা শিরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। অতৈ লেমহৌরিবা পেসেঞ্জরশিংদুনা লায়কন্ননবা হোস্পিটালশিংদা পুখ্রে হায়রি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা বসতুগী দ্রাইভর অমসুং লমকোইবশিংগী গাইদ য়াওখি।

খুদক্কী ওইনা পায়খৎলিবা থবক লোইরবা মতুংদা মীশি-মীনা নংলবা ইমুংশিংদুদা গভর্ণমেন্টনা পীবা য়াবা মতেং খুদিংমক পীগনি অমসুং মপুং ফারবা রিভ্যু অমা’ পাঙথোক্কনি হায়না টাইৱানগী প্রেমিয়র লিন চুৱাননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, এক্সিদেন্ট অদু টাইৱানগী হায়ৱে নেটৱার্কতা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা এক্সিদেন্টনি অমসুং হৌখিবা কুমজা ১৯৮৬ কী ওক্টোবর ৮ দা থেক-খোইরবা চীং লম্বী অমগী অরুবা লোকখাদা টুর বস অমা তাশিন্দুনা মীওই ৪২ শিখিবা মতুংদা খ্বাইদগী মীশি-মীনা থোকপা ক্রাসনি।

হৌখিবা চহীগী জুলাইদা টাইৱানদা থোকখিবা বস এক্সিদেন্ট অমদা চাইনা অমসুং লমগী টুরিষ্ট ২৬ শিখিবা মতুংদা ঈথৎ অসিগী টুর বস সেফটিগী মতাংদা রিভ্যু অমা পাঙথোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# য়ু এস সিনেটতা খন্নখিবা ৱাফমদা পাকিস্তান্না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১৪ :
হন্দক্তা য়ু এস সিনেটতা খন্ন-নৈনখিবা অমদা পাকিষ্টানদা টেররিষ্টশিং লৈবগী ৱাফমগা মরী লৈননা ফোঙদোক্নখিবা ৱারোল খরদা ইস্লামাবাদনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী কোংগ্রেস্নেল হিয়ারিংদা লোমেকর খরা অমসুং অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস ফোর্সশিংগী কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসন্না হায়খি মদুদি, অফঘান টালিবান অমসুং হাকানি নেটৱার্ক হৌজিকসু পাকিষ্টানদা ইকোম কোম্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

নিকোলসন্না দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাকিষ্টানগা য়ু এসকা লৈনবা মরীগী মপুং ফাবা রিভ্যু অমা পাঙথোক্নবসু তকশিনখি।

পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টানি লৈমায়দা টেররিষ্ট সেন্টরশিং লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবসি নুংনাংনিঙাইনি।

‘হৌজিক লৈরিবা ফীভমগা চানদবা মওংদা পাকিষ্টানদা টেররিষ্টশিংবু ইকোম কোম্না চঙজফম পীদুনা লৈ হায়বা ৱাফমগী মতাংদা ফোঙদোক্ন খিবা ৱারোল খরদা ঐখোয়না নুংনাংবা পোকই’ হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাফীজ জকারিয়ানা হায়খি।

অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টান-য়ু এস মরীগী মতাংদা য়ু এসতা খন্নখিবশিংগী মতাংদা রেস্পোন্দ তৌরদুনা জকারিয়ানা ৱাহৈশিংসি ফোঙদোকখিবনি।

# ইন্দিয়ন ওরিজিন ওইবা নাসাগী সাইন্টিষ্ট অমা য়ু এসকী বোর্দরদা দিটেন তৌখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১৪ :
ইন্দিয়ন-ওরিজিন ওইবা য়ু এসতা পোকখিবা নাসাগী সাইন্টিষ্ট অমা চিলিদা খোঙচৎ অমা চৎলুরগা অমেরিকাদা হল্লকপদা য়ু এসকী কষ্টমস এন্দ বোর্দর পেট্রোল (সি বি পি) গী ওথোরিটিশিংনা দিটেন তৌখি অমসুং মহাক্কী ফোন হাংদোক্নবা প্রেসর পীখি হায়রি।

ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী লম চখোক-চৎশিনদা ‘কা হেন্না য়েনশিনবগী থবক’ কদায় ফাওবা পায়খৎকদগে অমসুং মদু মীরৈবাক্তগী হৌরকখিবা পংকুই কুইদ্রিবগী মমাঙদা য়ু এসকী সিটিজনশিং ওইখিবা মীওইশিংদসু এপ্লাই তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা দিবেট অমা চথরিঙৈ তাল্লক্তা নাসাগী সাইন্টিষ্ট অদু দিটেন তৌখিবনি।

নাসাগী জেট প্রপলসন লেব (জে পি এল) দা থবক তৌবা সিদ্দ বিক্কানাৱরবু হাউষ্টনদা হল্লকপদা ইম্মিগ্রেসন ওফিসলশিংনা ফাখি। থৌদোক অদু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ৱাথোক ওইনিঙাই ওইরবা ত্রাভেল বেনগী ইগজিক্যুটিব ওর্দর সাইন তৌখিবা মতুং নুমিৎ মরিনি লৈরগা থোকখিবনি।

এজেন্টশিংনা মরম অমত্তা পীদবীদা মহাক্কী ফোন পায়শিনখি অমসুং পিন এক্সেস নম্বর দিমান্দ তৌখি, তৌইগুম্বসুং ফোন অদু নাসানা ইসু তৌখিবনা অমসুং সেন্সিটিভ মেটরিয়েল য়াওবনা মরম ওইদুনা বিক্কানাৱরনা অহানবদা মখোয়গী ৱাফমদু য়াখিদে।

মহাক্কী অঙৌবা কুচু অমসুং ৱাওথাংনবা মচুগী শম শাংনা খাকপগী ফীভমদা বিক্কানাৱর য়েংবদা মীরৈবাকমচা (ফোরন) নৎত্রগা মুস্লিমদি মান্দে। মহাক্কী অরোইবা মিং অদুনা মহাক নোর্থ কার্ণাটাকাগী হুবলি-ধরৱাদ রিজনদগী হৌরকখি হায়বা তাকই হায়রি।

মহাক সি বি পিগী খুত্থাংদা পায়খৎপা প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা গ্রোবেল এন্ট্রিদা মমিং চল্লবা মীশক অমসুনি। প্রোগ্রাম অসিনা মীশিংবু লৈবাক অসিদা (য়ু এসতা) থুনা চঙবা য়ানবা বেকগ্রাউন্দ চেকশিং পাঙথোকপা য়াহল্লি। মহাক লন্নাই খোঙচৎ অমা ওইনা সোলর পৱার্দ কারশিংগী লমজেলগা মরী লৈননা চিলিদা চৎখিবনি।

‘ঐহাক্কী মরমদা শেংনা খঙনবা ঐহাক্ল া হায়রি মদুদি, ঐহাক য়ু এসতা পোকপা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমসুং নাসাগী ইঞ্জিনিয়র অমনি, চৎপসু য়ু এসকী ভেলিদ পাসপোর্ট অমগা লোয়ননা চৎলিবনি’ হায়না নহা ওইরিবা রিছার্চর অদুনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি।

# পঞ্জাব এসেমব্লি মনাক্তা চথখিবা সুইসাইদ এটেক্কা মরী লৈননা মীওই ৩০ ফাগৎখ্রে




লাহোর, ফেব্রুৱারী ১৪ :
লাহোরদা লৈবা পঞ্জাব এসেমব্লিগী মপানদা সুইসাইদ এটেক চথদুনা সিক্যুরিটি ওফিসল ৬ য়াওনা মীওই ১৩ শিহনখিবগী এটেক্কা মরী লৈননা পাকিষ্টানি পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চিংনবা মীওই ৩০ ফাগৎখ্রে অমসু মশক খঙদবা টেররিষ্ট মরিগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে।

‘হৌজিক ফাওবদা লাহোরগী মোল রোডদকী ব্লাষ্টকা মরী লৈননা সসপেক্ট ৩০ ফাগৎলে। হৌজিক ইনভেষ্টি-গেসন চথরি অমসুং ঐখোয়না এটেক অসিগী মাষ্টরমাইন্দ ফাবা ঙমগনি হায়না পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন জয়ীম হুশাইন কাদরিনা লাহোরদা পাউমীশিংদা হায়খি। লৈবাক অসিনা টালিবানগী ক্লেম তৌখিবা এটেক অদুগী ভিক্টিমশিং-গীদমক্তা অৱাবা ফোঙদোক্লরিঙৈদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সসপেক্টশিং ফাবগী পাউ ফোঙদোরক্লিবনি।

পুলিসকী ওফিসলশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা সুইসাইদ ব্লাষ্ট অদুদা মীওই ১৩ শিখি অমসুং অতৈ ৭০ হেন্না শোকখি।

এটেক অদুদা শিখিবা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী মনুংদা লাহোরগী ট্রাফিক পুলিসকী চীফ কেপ্টেন (আর) অহম্মদ মোবীন অমসুং সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট পুলিস জহীদ গোন্দাল য়াওখি।

অথিংবা থমখ্রবা টেহরীক-আই-টালিবান পাকিষ্টানগী জমাট-উল-অহরর ফেক্সননা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি।

হৌখিবা চহীগী মার্চ ২৭ তা লাহোরগী গুলশন-ঈ-ইকবাল পার্কতা চথখিবা বোম্মিং এটেক অমসু গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌখ্রবনি। এটেক অদুদা অয়াম্বনা ইষ্টরগী কুম্মৈদা শরুক য়ারিবা খৃষ্টানশিং ওইদুনা পুন্না মীওই ৭৫ শিখি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংদু ওফিসল ওইনা লৈরোল চনখ্রে। বোম্মিং এটেক অদু সিনিয়র পুলিস ওফিসর অনী মথ্বাই মাঙহনবা লাহোরদা চথবা অহানবা সুইসাইদ এটেকনি। পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর সাহবাজ শরিফ, গভর্ণর রাফিক রাজৱানা অমসুং পুলিস অমদি মিলিটরিগী সিনিয়র ওফিসরশিংনা লৈরোল চনবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

মশক খঙদবা টেররিষ্ট মরিদুগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না, কেমিষ্টশিং অমসুং দ্রগিষ্টশিংনা প্রোটেষ্ট দেমোন্সট্রেসন পাঙথোক্লিবা মোল রোডতা লৈবা পঞ্জাব এসেমব্লিগী মপানদা টেররিষ্টশিংনি চিংনবা মীওই মরি লাকখি।

‘চহী ১৭ তগী ২০ফাওবগী লেঙ্গা ওইবা টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই অমনা প্রোটেষ্ট লোইশিনহন্নবা কেমিষ্টশিংগী লীদরশিংগা ৱারী শানরিবা পুলিস ওফিসরশিংগী মনাক্তা চঙশিনবা থিংনবা পুলিসনা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং নহা অদুনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হনখি। মহাক্কী খোঙলোয়শিংদি মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি’ হায়না এফ আই আর অদুদা পনখি।

পঞ্জাব পুলিসকী স্পোক্সমেন নিয়াব হাইদরনা হায়খি, পুলিস অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগী অপুনবা টিম অমনা তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা ব্লাষ্ট অদুগী মরমদা থিজিল্লি।

পঞ্জাব পুলিসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল মুশতক সুখেরানা হায়খি, টেররিষ্টশিংগী টার্গেটতি পুলিস পার্সনেল কাঙবুশিংনি। ‘কেমিষ্টশিংগী প্রোটেষ্ট অদুনা টেররিষ্টশিংদা পুলিস ওফিসরশিংদা টার্গেট তৌনবগী তাঞ্জা অমা পীখি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

দি আই জি মোবীনদি মমাঙদা বেলোচিষ্টানদা পোষ্টিং লৈরিঙৈদা চথখিবা এটেক অমদা হিংহৌবগী থৌদোকসু লৈখ্রে হায়রি।

# য়ু এন, ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াবু কন্দেম তৌখ্রে, এক্সন লৌখৎনবগী ঈঙ্গিৎতি পীখিদ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স/সিওল, ফেব্রুৱারী ১৪ :
নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা পাঙথোকখিবা মিসাইল চাংয়েং অদুবু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মালেমদগী তোঙান্না তারবা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবশিং নমদুনা চৎনহনবগী থবকশিং শরুক অনী হেন্না কনখৎনবা মেম্বর লৈবাকশিংদা তকশিনখ্রে। তৌইগুম্বসুং লৌখৎপা য়াবা এক্সনগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদ্রে।

পিয়োংয়াংনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ময়ায় ওইরপ শানবা বলিষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ওফিস পায়খিবদগী ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিবু নোর্থ কোরিয়ানা অতম্না শিংনবা অহানবনি হায়না লৌনরি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ত্রম্পনা হায়খি, ‘তৌথোরক্লিবা মওং অসিনা নোর্থ কোরিয়া অসি অচৌবা প্রোব্লেম অমনি হায়বসি ঐখোয়না খঙলে, ৱাফম অসি ঐখোয়না অকনবা মওংদা দিল তৌগনি।

ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী থৌওং অদুদা উৎপা য়াবা রেস্পোন্স অমত্তগী মতাংদা পনখিদে তৌইগুম্বসুং ৱাশিংটনগী য়ু এন এম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা অসুম্না হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াবু মখোয়না তৌরিবা থবক্তুগীদমক্তা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌহনবগী মতম ওইরে। মসি ঐখোয়গী ৱাহৈশিংগা লায়ননা নত্তে ঐখোয়গী এক্সনশিংগা লোয়ননিনি।

# সিরিয়াগী অল-বাবকী অয়াম্বা শরুক টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা পায়শিনখ্রে



অঙ্কারা, ফেব্রুৱারী ১৪ :
টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা সিরিয়াগী টাউন অল-বাবকী অয়াম্বা শরুক ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী পায়শিনখ্রে হায়না টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

‘অল-বাবকী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌরে। ঐখোয়গী পান্দমদি টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্ট্রোল তৌবা টেরটরিশিংদা টেররিষ্ট ওর্গনাই-জেসনশিংবু কোরিদোরশিং হাংহন্দনবা অমসুং টর্কিদা চঙলকপা থিংবনি’ হায়না মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা মহাক্কী রুলিং এ কে পার্টিগী মেম্বরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

টর্কিশ স্পেসল ফোর্সশিং, টেঙ্কশিং অমসুং ৱারপ্লেনশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিংনা অঙ্কারানা ‘য়ুফ্রেটিজ সিল্ড’ হায়না মিংথোনবা ওপরেসন অমদা হৌখিবা ওগষ্টতা নোদর্ন সিরিয়াদা থোমজিনখি। ওপরেসন অদুগী পান্দমদি ইস্লামিক ষ্টেটপু টর্কিগী বোর্দরদগী তকথোকপা অমসুং কর্দিশ ফাইটরশিংনা চঙশিল্লকপা থিংবনি।

চয়োল কয়ামুক রেবেলশিং অদুনা টর্কিশ বোর্দরদগী খারোমদা কিলোমিযর ৩০ লাপ্না লৈবা অল-বাবতা অচৌবা ওফেন্সিভ অমা চথদুনা লাকখি। মখোয়না চঙশিল্লিবদু সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা হকথেংননা মায়োক্ন রকপা য়াবগী রিস্কশিং লৈ হায়রি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা খারোমদগী সিটি অদুদা চঙশিল্লক্লিবনি।

অল-বাবকী লান্দা অদু লোইগদবা মতম কুইদ্রে হায়না চয়োল কয়ামুক প্রসিদেন্ট টায়ীপ ইর্দোগন অমসুং অতৈ টর্কিশ লীদরশিংনা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ
রিজনেল ওফিস গুৱাহাটি
(আই এস ও ৯০০১:২০০৮ সর্টিফাইদ মিনিষ্ট্রি)

হাউস নং. ৭, ২শুবা ফ্লোর
রাজগর রোদ : চান্দমারি,
গুৱাহাটি-৭৮১০০৩
ফোন: (০৩৬১)২৫২৫৯৪৩,
ফেক্স: (০৩৬১)২৪৬৪১৬৯
e-mail-roghy2015@gmail.com

No.RW/GHT/MN/DAVP/2015-16 — ফেব্রুৱারী, ১৩, ২০১৭

পি দব্লিয়ু দি (বিল্ডিংস), গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী খুত্থাংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা ইন্টর-ষ্টেট কনেক্তিভিটি (আই এস সি) স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা মখাগী থবকশিং অসিগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ (এম ও আর টি এন্দ ঐচ), গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মতীক চাবা কন্ট্রেক্টরশিংদগী বিদশিং কৌজরি :

| সে. নং. | থবক্কী মমিং | থবক্কী চাউরাকপা ভেল্যু (লুপা ক্রোরদা) |
|---|---|---|
| ১. | খাজাং (মণিপুর) দগী দাইদৌ (মিজোরাম) সেক্সনদা বুংপিলোনদগী ভোংকোট ফাওবগী মনুংদা কিলোমিটর ৩৫.০০ দগী কিলোমিটর ৪৬.০০ (অপুনবা অশাংবা কি:মি: ১১.০০) ফাওবা সিঙ্গল লেন লম্বী শেম-শাবা (জোব নম্বর ISC/MN/2016-17/07) | ২২৩৪.৪৮ |
| ২. | লুংথুলিওন (মণিপুর) দগী মণিপুর/মিজোরাম বোর্দর সেক্সনদা কিলোমিটর ২২.০০ দগী কিলোমিটর ৪০.২০ (অপুনবা অশাংবা কি:মি: ১৮.২০) ফাওবগী সিঙ্গল লেন লম্বী শেম-শাবা (জোব নম্বর ISC/MN/2016-17/08) | ৩১৮৮.৪৮ |

খঙজিনগদবা :-
১. বিদ্দিংগী প্রোসেসতা শরুক য়ানবগীদমক্তা বিদ্দরশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ঈ-টেন্দরিং পোর্টেল “www.eprocure.gov.in” দা রেজিষ্টর তৌগদবনি। টেন্দরগী লাইফ সাইকল মনুংদা মখোয়গী ঈ টি এস রেজিষ্ট্রেসন ভেলিদ ওইহন্নবা (হায়বদি মতম লোইহন্দবা) হায়বসি বিদ্দরগী রেস্পোন্সিবিলিটিনি।
২. থবক্কী ভেল্যু চাউরাকপনি অমসুং দিটেল বিদ দোক্যুমেন্টতা খেন্নরকপা য়াই, মসিগীদমক ক্লেম তৌরকপা লৌরোই।
৩. অতৈ অকুপ্পশিং অমসুং ক্লারিফিকেসনশিংগীদমক্তা বিদ্দরশিংনা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসল ৱেবসাইট “www.eprocure.gov.in” দা য়েংবা য়াই অমসুং ওফিস মতমদা মখাগী পল্লিবা ওথোরিটি অসিবু কন্টেক্ট তৌবা য়াই।
৪. চুমথোক্নদবা/হাপচিনগদবা লৈরবদি মথক্কী ৱেবসাইটখক্তদা ফোঙগনি।

(সমিরন সাহা)
এগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র
ফোর রিজনেল ওফিসর (সিভিল), গুৱাহাটি,
এম/ও রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ

চীফ এঞ্জিনীয়র (বিল্ডিং), পি দব্লিয়ু দি,
গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর
পি দব্লিয়ু দি কমপ্লেক্স, খুয়াথোং,
ইম্ফাল - ৭৯৫০০১

davp 37109/11/0101/1617




## EMPLOYMENT NEWS

### Ministry Of Textiles Recruitment 2017 – 40 Professionals (Handicrafts) Vacancies – Last Date 06 March

**Ministry Of Textiles Recruitment 2017**
Office of the Development Commissioner (Handicrafts), Ministry Of Textiles invites applications for the post of 40 Professionals (Handicrafts) on contract basis for its various schemes and sub-schemes under National Handicrafts Development Programme throughout the country, through EdCIL (India) Limited. Apply Online before 06 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : PRU/01/2017
**Ministry Of Textiles Job Details :**
Post Name : Professionals (Handicrafts)
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 25000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for Ministry Of Textiles Recruitment :**
Educational Qualification : Degree/Diploma in the field of Design/Fine Arts (Fashion or Textile Apparel Production) of four years duration from a recognized University or Institute with 01 years experience in the field of handicrafts or cottage or small scale industry OR Diploma in Fine Arts (Fashion or Textile Design) of 03 years duration from a recognized University of Board or Institute with 02 years experience in the field of handicrafts or cottage or small scale industry shall be considered.
Nationality : Indian
Age Limit : 35 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The selection process will be based on academic qualifications and experience and will also include Computer Skill Test/Written Test followed by interview.
**How to Apply Ministry Of Textiles Vacancy :** Interested candidates may Apply Online through the website http://handicrafts.nic.in form 09.02.2017 to 06.03.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 09.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
**Important Links :**
Details Advertisement Link : https://www.digialm.com/per/g01/pub/1258/EForms/image/pdf/Indicative_Advertisement_Handicraft.pdf
Apply Online : https://cdn.digialm.com/EForms/html/form51563/Instruction.html

### ITI Limited Recruitment 2017 – 11 Marketing Executives & Assistant Executive Engineer Trainees Vacancies – Last Date 06 March

**ITI Limited Recruitment 2017**
ITI Limited invites application for the post of 11 Marketing Executives & Assistant Executive Engineer Trainees on Tenure basis. Apply Online before 06 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : ITI/PKD/HR/17/01
**ITI Limited Job Details :**
Post Name : Marketing Executives
No. of Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Grade II
Post Name : Assistant Executive Engineer Trainees
No. of Vacancies : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for ITI Limited Recruitment :**
Educational Qualification :
For Marketing Executives : Engineering Degree in Electronics/Electronics and communication with MBA-Marketing with two years full time course from a recognised university or 2 years full time AICTE approved PG Diploma in Marketing from a recognised institution with Minimum of 60% aggregate marks for General and OBC candidates and Minimum of 58% aggregate marks for SC/ST/PWD candidates.
For Assistant Executive Engineer Trainees : Engineering Graduate in Electronics & Communication/ Civil/ Computer Science or MCA Minimum of 65% aggregate marks for General and OBC candidates and Minimum of 63% aggregate marks for SC/ST/PWD candidates.
Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is for Marketing Executives 30 years & 28 years for Assistant Executive Engineer Trainees As on 07.02.2017

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**
**Selection Process :** Selection will be based on Interview. Candidates will be considered for the interview in the appropriate / lower level of Grade / Designation depending on the experience, salary drawn and position held by them.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 300/- through Account payee Demand Draft in any Nationalized Bank. Candidates are advised to write their Name & Address on the reserve side of the DD (SC/ST & Physically Challenged category persons need not to submit DD).
**How to Apply ITI Ltd Vacancy :** Interested candidates may apply Online through website http://www.itiltd-india.com on or before 06.03.2017 and send Hard copy of Online application along with Self Attested photocopies of certificates and Marks Sheets in proof of Educational Qualification (X standard / SSLC and onwards) and Self attested Photocopies of Experience Certificate/s with a latest salary certificate, DD to Chief Manager-HR, ITI Limited Kanjikode (W), Palakkad Kerala-678623 on or before 10.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of ITI Limited recruitment Online Application form : 06.03.2017
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : 10.03.2017
**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.itiltd-india.com/Careers/Recruitment%20of%20Engineers-Marketing%20Executives_07-02-2017
Download Application Form Link : http://www.itiltd-india.com/Careers/Employment_application_form
**Apply Online :** https://goo.gl/forms/UD0tpAYXwJbNpz072